# অলজেরিয়াদা মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট প্লেন কাইখ্রে, মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে




*অলজিয়র্স, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ অলজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা অলজেরিয়ান মিলিটরিগী ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমা কায়বদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ১০৩ শিরম্লগনি হায়না মীপাইনরি।

হরকুলিস সি–১৩০ ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরিবা প্লেন অদু ঔম অল বুৱাঘী প্রোভিন্সকী চীংলক্তা কায়খিবনি হায়না লোকেল মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

নুংশা–চিংশাগী ফত্তবা মরক্তা প্লেন অদু উৱার্গিয়াদগী কোন্সটানটিনদা পাইখিবনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমনা এনাহারদা লৈবা রেদিও ষ্টেসন অমদা পাউ পীরকখিবনি।

খুদোংথিবা অদু থোকপা মতমদা প্লেন অদুদা মিলিটরি পার্সোনেলশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্লেন অসিগী ওরিজিনেল দিপার্চর পোইন্টি সাহারা দেজার্দ সিটি ওইরিবা তমনরাসেন্টতা ওইগদবনি। অদুবু নুংজু–নুংশাগী ফভম ফৎতবনা প্লেন অসি উরাগীয়াদা লেপখি। এনহারগী লিখুনশিংনা হায়বদা মিলিটরি প্লেন অদু কন্সটান্টিন অমদি ঔম অল বুৱাঘীগী মরক্তা রেদিও কন্টেক্ট মাঙখিনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মিলিটরিগী সেনিয়ার ওফিয়েল ওইবা কর্নেল লামাদি বুগের্ননা হায়দা নোংজু নুংশাগী ফিভম ফত্তবা অমদি নুংশিৎ কন্না শীৎপনা প্লেন অদু কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

প্লেন অদুদা লান্মীশিং, মখোয়গী ইমুং–মনুং ওইবা পেসেঞ্জর ৯৯ গা ক্রু মেম্বর ৪ গা য়াওখিবনি হায়নসু সিক্যুরিটিগী লিখুন অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকখি।

লিখুন অসিনা মখা তানা হায়বদা, অহিংবা মীওই অমত্তা য়াওদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। এনাহারগী রেদিও ষ্টেসননা পীবা পাউদা প্লেন কায়রিবা মফম অদুদা এম্বুলেন্সশিং থাজিনখ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু অলজিয়ার্সতগী নোংপোক্লোমদা কিঃ মিঃ ৩৮০ চৎলগা লৈবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নিংশিংবা য়াবদি, ইং ২০০৩ দসু এয়ার অলজেরিগী বোইং ৭৩৭ অমা তামানরাসেটতগী পাইখিবদা কায়দুনা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ১০৩ গী মনুংদা অমখক নত্তনা লোইনমক শিখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ম্যান্মা এয়ারনা প্লেন লিজ দিল সহি তৌখ্রে




*য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ বর্মাগী নেস্নেল কেরিয়ার ওইরিবা ম্যান্মা এয়ারনা অনৌবা বোইং ৭৩৭ তরা হাপকৎতুনা মতম কুইরক্লবা ঙসিগী ফ্লিট চাওথোকহন্দুনা নৌনা মপাঙ্গল হাপ্পা ঙম্নবা দোল্লর বিল্লিয়ন অমরোমগী লিজ দিল অমা সাইন তৌখ্রে।

মালেমদা প্লেন লিজ তৌবগী খ্বাইদগী চাওবা কম্পেনি ওইরিবা জি ই কেপিটেল এভিয়েসন সার্ভিসেস (জি ই সি এ এস) গা পুন্না মসিগী প্লেনশিং অমদি ফ্লাইট রুটশিং হেনগৎহন্নবা ম্যান্মা এয়ার ৱেজনা হোৎনগদৌরি।

ষ্টেটনা চলাইবা কম্পেনি অসি মরুওইনা ম্যান্মা হায়রগসু খঙনবা বর্মা মনুংদা অয়াম্বা পাইবনি। য়ু এসকী অচৌবা কোংগ্লোমরেট জেনরেল ইলেক্ট্রিক্কী য়ুনিট অমা ওইরিবা জি ই সি এ এসনা হায়বদা লিজদা ম্যান্মাদা পীগদবা প্লেনশিং অদু ইং ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ফঙহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থাক ৱাংনা ফরবা বোইং এয়ার ক্রাফট অনৌবা খরা পুথোক্লগা ম্যান্মা এয়ার ৱেজগা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা জি ই না অপেনবা ফাওই হায়না জি ই সি এ এসকী প্রসিদেন্ট অমদি চিফ একজিক্যুটিভ ওইবা নোর্মান লিউনা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ম্যান্মা এয়ার ৱেজনা শীজিন্নরিবা প্লেনশিংদি বোইংদগী হেন্না পীকথবা বিচক্রাফ অমদি সেস্না প্লেনশিং অদুগা ফোক্কর এফ ২৮ জেদশিং অমদি এ টি আর টর্বো প্রোপশিংনি।

কেরিয়ার অসিনা প্লান তৌরিবদি জপান অমদি সাউঠ কোরিয়াদা মসিগী ইন্টরনেস্নেল রুট চাওথোকহনবা অসিনি।

হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অসিদগী মপান্দা পাইবা ফ্লাইটতি ইন্দিয়াগী গয়াদা বুদ্ধিস লাইনিংলোইশিং পুনবা পাইবা অসিখক্তনি। চহি খরগী মমাংদদি কনাগুম্বা অমনা রেঙ্গুনদা এরোপ্লেননা চৎপা পাল্লবদি বেঙ্কোক্তগী ফাওরগা চৎপা তাই। অদুবু হৌজিক্তি তোকিও, দোহা অমদি সিওলদগী হকথেংননা ম্যান্মারদা পাইবা প্লেনশিংসু লৈরে।

বর্মিজ গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি বোইংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা এরো স্পেস অমদি দিফেন্সকী কুন্মে ওইরিবা সিঙ্গাপুর এয়ার সোদা প্লেন লিজগী দিল অদু সাইন তৌনখিবনি।

# সিরিয়াদা খৎনরিবা অনি জেনেভাদা উন্নখ্রে

*জেনেভা, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ সিরিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং মসিবু য়াদবশিংগী মীহুৎশিং ঙসি জেনেভাদা হকথেংননা উন্নবগা লোয়ননা চহি অহুম খুৎ থোক্লরকপদা শিখিবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা মিনিৎ অমা তুমিন্না লৈখ্রে।

মমাং থাগী অহানবা থেঙ্খাংগী ৱারী শাবা অদু কান্নখিদ্রবা মতুংদা হন্দক্তি অফবা ফিভম অমা শোইদনা লাক্কনি থাজরে হায়নসু গভর্নমেন্টপু য়াদবশিংগী মীহুৎ লুচিংবা অহমদ জাকলনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর্নেস্নেল মেদিয়েটর ৱাহিমিনা পুখৎলকপা ৱাফম অমদগী সিরিয়াগী ভাইওলেন্স অসি লোইশিন্দুনা ট্রাঞ্জিসনেল গভর্নিং বোদি অমা শেম্নবা খন্নরকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হিরম অনি অসিনা মরুওইনা খুৎ থোক্লরিবা মায়গৈ অনিমক্কী নকশিন্নবা য়াদনবা মরম ওইদুনা লাকপনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। চৈরক অসিদা ওঠোরিটিশিংনদি হৌখিবা নোংমাইজিংদা মানদা মীওই ৪২ হাৎখিবদু সুনি মিলিটেন্টশিংননি হায়না মরাল শীরিবনি।

# টাইৱান, চাইনাগী গভর্নমেন্টশিংনা অহানবা ওইনা ৱারী শান্নখ্রে



*বৈজিং, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ চাইনা অমদি টাইৱানগী গভর্নমেন্ট অনিনা অৱাংবা থাক্কী ৱারী শানবা হৌখ্রে হায়রদুনা ইং ১৯৪৯ গী চাইনিজ সিভিল ৱার মতুংদগী থৌদোক অসি অহানবা ওইরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাঞ্জিংদা চথগদবা নুমিৎ মরিনিগী ৱারী শানবা অসি ৱাং য়ু চি অমদি ঝাং ঝি জুননা মরুওইবা ওফিসিয়েলশিং ওইনা চথগদৌরি। শান্নগদৌরিবা ৱারী অসিগী ওফিসিয়েল ওইবা এজেন্দাদি ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমকপু ৱারী অসি মরুওইনা লৈবাক অনিগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহন্নবা পান্দমদা চখবা ওইগনি হায়রি।

হৌখিবা মতমদসু লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্নখিবা ৱারীশিং ক্বাসি–ওফিসিয়েল ওর্গনাইজেসনশিংগী খুত্থাংদা চখিবনি।

ৱারী শান্নবগী থৌরম অসি নাঞ্জিংদা পাঙথোক্লিবগী মরমদি চহি ৬০ রোমগী মমাংদা নেস্নেলিষ্টশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়রিঙৈদা মফম অসিদা কোনুং ওইরম্বনি। চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়না লৌরিবা টাইৱানগা হন্দক্কী ৱারী অসিদা মমাংদগী মান্নদনা লাকপা ৱাখল্লোনশিং অদুগী অমত্তা ওইবা ৱাখল লিচিং অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈত্রি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী মায়গৈদগীদি টাইৱান অসি হান্নগী মেইন লেন্দগা পুনশিন্নবদা তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নগদবনি হায়বা ফিরেপ লৈরি। অদুবু ইং ২০০৮ দা মা য়িং–জিয়ুনা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা মতুংদগী লৈবাক অনিগী মরী শিংথারবা য়ানা ফগৎলকখ্রবনি। অদুগা মালেমদা খ্বাইদগী ইকোনোমি ফবা অনিশুবা লৈবাক ওইরিবা চাইনাবু টাইৱাননা লাইথোক্লসু লৌনিঙাই লৈতে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনানা হন্দক্কী ৱারী অসি বৈজিংবু য়ানিংবা প্রসিদেন্ট অমনা লৈঙাক্লিঙৈ মনুংদা হেন্না নকশিন্নবা মরী শাগৎহৌনবগী খুদোংচাবা অমা ওইনা থৌরাং তৌরকপনি। টাইৱান এফিয়ার্স ওফিসকী মকোক ওইরিবা ঝাং–ঝি জুননা হায়বদা অসিগুম্বা ফিভমদা ঐখোয় মফম অসিদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নগনি হায়বসি মমাংদগী ওইথোক্লরোইদবা অমা ওইরম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

খুদোংচাদবা খরা লোইশিন্নবগীদমক ৱাখলনা অফবা খোঙথাং খরা লামশিনবসু মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

টাইৱানগী মেইন লেন্দ এফিয়ার্স কাউন্সিলগী মকোক ওইরিবা ৱাং য়ু চিনা হায়বদসু লমদম অসিগী অনৌবা পন্দুপ অমা হাঙদোক্লবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মখা তানসু মহাক্না হায়বদা, ঐখোয়গীদমক্তদি টেবল অমত্তদা অসুম্না ফম্মিন্নদুনা ইসুশিং খন্নবা হায়বসিমক হান্নদি অরাইবা খোঙথাং ওইরক্তবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী অরুবা অসি য়েংদুনা উন্নরি কা অদুদা ফিরাল অমত্তা য়ুংদে অদুগা ওফিসিয়েলশিংগী নেম প্লেটশিংসু টাইটল নত্তগা এফিলিয়েসন অমত্তা পন্দে হায়নসু পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরকখি।

ৱাফম অমনা বৈজিংগী মায়কৈদগী টাইৱান অসি চাইনাগী শরুক অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা ইথৎ অসি রিক্লেম তৌবগী ৱারোল মমাংদা ফোঙদোকখিবনি। টাইৱাননসু মশাবু রিপব্লিক ওফ চাইনা হায়না কৌজবগা লোয়ননা বৈজিংদা লৈরিবা কম্যুনিস গভর্নমেন্টকী টেরিটোরি অমনি হায়না ক্লেম তৌবসু লৈরি।

ইং ১৯৪৯ গী চাইনিজ সিভিল ৱার লোইখিবা মতুংদগী চাইনা অমদি টাইৱান অসি তোঙান তোঙানবা গভর্নমেন্টশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়দুনা লাক্লিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী জি এম ক্রোপ ৱাথোক কোর্ট য়ৌখ্রে

*মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী লৌমী অমনা মহাক্কী ফার্মগা থংনরিবা লৌবুক অমদা থাবা জিনেটিকেল্লি মোদিফাইদ (জি এম) মঁহে মরোংশিংনা মহাক্কী লৌবুক্তা লৈহাও শেংহন্দ্রে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা য়ুমথংনবা লৌমী অদুগী মথক্তা কোর্টকা ৱাকৎখ্রে।

ষ্টিব মাস হায়বা লৌমী অসিনা মহাক্না থংনরিবা মাইকেল বেক্সতরগী ফার্মদা ইং ২০১০ দা থাবা জি এম কেনোলা মরুশিংনা মরম ওইদুনা মহাক্কী লৌবুক্কী চাদা ৯০ দি ওর্গানিক সার্টিফিকেসন ফংবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

বেক্সতরগী উকিলশিংনা হায়রিবনা ওর্গনানিক সার্টিফিকেসন পীরিবা লুপ অদুগী ষ্টেন্দরগী কাইদবা চাং অমা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ৱায়েল অসি ফার্মরশিংগী রাইটকী মতাংদা চাংয়েং ওইবা কেস অমা ওইগদৌরি। কেস ওইনদি ৱাথোক অসি ঙসি ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়ান সুপ্রিম কোর্টতা ৱায়েল চখবা হৌখি।

মাসকী লোয়রনা হায়বদা, ৱাথোক অসি অসিগুম্বা হিরমদা ইহান হানবা কোর্ট কেস ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কনাগুম্বা ফার্মর অমনা জি এম–ফ্রি ওইবা মঁহে মরোংশিংখক্তমক মহাক্কী ফার্মদা থাজগে হায়বসি মহাক্কী হকনি। মরমদি অসিগুম্বা মঁহে মরোংনা মহাক্কী কঞ্জ্যুমরশিংগী জি এম–ফ্রি ওইবা চিঙ্গাক খক্তমক লৈজনিংবগী অপাম্বা অদুবু ঙাক্কনি হায়না মাসকী লোয়র মার্ক ৱাল্টরনা ফোঙদোকখি।

বেক্সতরগী লোয়রশিংনসু ওষ্ট্রেলিয়াগী ওর্গানিক সার্টিফাইয়িং বোদিগী ষ্টেন্দর অসি হকমল্লি। অদুগা মাসকী ফার্ম অদু বেক্সতরগী ফার্মদদি ওট অমদি অতৈ ক্রোপশিং থাবা মরমনা কন্টামিনেসন থোকহনখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।


কেস অসিনা মরম ওইদুনা নোংচুপ থংবা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা কোজোনুপ কম্যুনিটিদা মীয়াম নাকপাক তানহল্লে। মীওই অনিসি ফার্মশিং থংনবগা লোয়ননা হান্নদগী মরুপ মাং ওইরকপনি। অদুবু হৌজিক্তি নাকপাক তান্নবা মীয়াম মরক্তগী কাংলুপ কাংলুপশিংনা লৌমী অনি অসিগী মীচংদা তোংশিন্নরে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সেফ ফুদ ফাউন্দেসননা মাসপু শৌগৎপগা লোয়ননা মীয়ামনা জি এম–ফ্রি ওইবা চিঙ্গাক চাজবগী হক লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়ান পেষ্টোরেলিষ্ট অমদি গ্রেজিয়ার্স এসোসিয়েসননা হায়বদা কেস অসি এন্টি–জি এম পাউজেল ওইবা খক নত্তনা করিসু লৈতবা কেসনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বেক্সতরনা থারিবা মঁহে মরোং পুম্নমক আইননা য়াবা মঁহে মরোং ঙাক্তনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

# কোরিয়া অনি ৱারী শান্নবা য়ানখ্রে



*পানমুনজোং, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ অৱাং অমদি খা কোরিয়াগী ওফিসিয়েলশিং অতাংবা থৌদোক অমা ওইনা হয়েং অৱাংবা থাক্কী ৱারী শান্নরগনি হায়না সিওলদগী ৱারোল অমা ফোঙদোরকখ্রে।

থা অসিগী লোইরমদাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেমিলি রি য়ুনিয়ন থৌরমগী মাঙওইননা ৱারী শানবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনা হায়বদা ওফিসিয়েলশিং উন্নবগী থৌরম অদু লৈবাক অনিগী ঙমখৈদা লৈবা পানমুনজোম ভিলেজগী দিমিলিটরাইজ জোনদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱারী অসিগীদমক এজেন্দা অমত্তা খঙদোকপদি লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং থৌরাং তৌরিবা ফেমিলি রি য়ুনিয়নগী থৌরম অদুদি মরুওইনা খন্নবা হিরম অমা ওইরবা য়ারি হায়নসু ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

ৱারী শান্নবগী থৌরাং অসি অৱাং কোরিয়ানা হান্না হৌদোরকপদগী পাঙথোকপনি। খা কোরিয়াগী ওফিসিয়েল অমনা হায়বদা, ৱারী শান্নবগী ইনভিটেসন অমা অৱাং কোরিয়াদগী ইঙ্গিৎ অমত্তা পীরমদনা ফংখি হায়রদুনা খোঙথাং অসি গভর্নমেন্টতা অঙকপা অমা ওইনা থোকখি হায়নসু ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

থৌওং অসিনা চাং অমা নাইবা দাইলোগ পরিং অমগী অহৌবা ওইবসু য়াই হায়নসু বি বি সিগী পাউমী অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি ফেব্রুৱারী কুন্দগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা ইং ১৯৫০–৫৩ গী কোরিয়ান ৱার অদুনা কাইনহনখ্রবা ইমুং মনুং ওইবা মীওইশিংগী ফেমিলি রি য়ুনিয়ন থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনি।

য়ু এনদা অৱাং কোরিয়াগী এম্বেসেদর ওইবা সো সে প্যোংনা জেনেভাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা মিলিটরিগী তাথিনবা ৱাখল্লোনশিং অসি মুত্থৎতুনা শান্তিগী লম্বীদা অপনবা ওইহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস অমদি খা কোরিয়ানা চত্থগদৌরিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু তোক্লনবা মহাক্না আপিলসু তৌখি। হয়েং শান্নগদৌরিবা ৱারী অসিদা খা কোরিয়াগী দিপ্যুটি নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা সিওলগী দেলিগেসন লুচিংগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# সুসিল কোইরালা ৱাশক লৌখ্রে

*কাঠমান্দু, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ নেপালদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা সুসিল কোইরালা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ৱাশক লৌখ্রে।

কোলিসন পাটনর ওইরিবা কম্যুনিস পার্টি ওফ নেপাল–য়ুনিফাইদ মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট (সি পি এন–য়ু এম এল) মেম্বরশিংগী মেম্বর অমত্তা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওখিদে। অদুবু পার্টি অসিনদি হোম মিনিষ্ট্রি পীনবা তকশিল্লি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেপাল্লি কংগ্রেসকী সুসিল কোইরালাবু প্রসিদেন্ট রাম বরন যাদবনা ওফিস পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌহনখি। থৌরম অদুদা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টি লুচিংবশিং, সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংগী মকোকশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ঙসি শুপ্নগী মেম্বর অনিখক্কী কেবিনেট অমা লৈখিবগা লোয়ননা প্রোর্টফোলিও য়েন্থোকপগী মতাংদা য়ানদবা খরা লৈরিবা অসি য়াশিন্নরবা মতুংদা কেবিনেট মখা তানা চাওথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

পোর্টফোলিও য়েন্থোকপদা খ্বাইদগী চক্রি লৈরিবদি হোম মিনিষ্ট্রি পায়বগী মতাংদনি। মসিনা মরম ওইদুনা নেপাল্লি কংগ্রেস অমদি সি পি এন–য়ু এম এল অনিগী য়েৎননবা মরম ওইদুনা লাকপনি।

সি পি এন – য়ু এম এলগী লিদরশিংগী প্রসিদেন্টকী ওফিসতা ৱাশক লৌবগী থৌরম শরুক য়াখি। অদুবু পার্টি অসিদগী মীওই অমত্তনা কেবিনেটতা য়াও হায়বা য়াখিদ্রে। পার্টি অনি অসিগী পেকেজ দিল অমদা পার্টি অনিমক্না মিনিষ্ট্রি ১৩/ ১৩ ফংনবা হায়না য়ানখিবনি। কোইরালা নত্তনা এন সিগী সেনিয়া লিদর রাম সরন মহদসু ঙসি ৱাশক লৌখি।

# সি এ আরগী মার্কেট ফিভম শোক্লক্কদৌরি



*বাঙ্গুই, ফেব্রুৱারি* ১১ঃ এদ ৱার্করশিংনা হায়বদা সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) দগী মুস্লিমশিং পুল্লপ পুল্লপ লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ললোন ইতিক্তা শাথিবা চৈথেং শোইদনা পীরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওক্সফাম অমদি এক্সন এগেনষ্ট হঙ্গরনা হায়বদা হৌজিক সি এ আরগী কোনুংদা হোলসেল্লর ১০ য়ৌফাৎতনা লৈহৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অতৈ হোল সেল্লরশিংদি লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিবা অদুগা চৎনবা শেম শারিবা ঙাক্তা ঙাইরে হায়রি।

মসিনা মরম ওইদুনা সি এ আরদা চরা তম্বা চিঞ্জাকশিং লোইথোকখিবা য়াই। অদুগা মমলনা কা হেন্না ৱাংখৎলকপা য়াই। লৈবাক্কী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৯০ না নোংমদা চরা অমদগী হেন্না চাবা ফংদবগা লোয়ননা ফিভম অসি হেন্না শোকচিল্লকপা য়াই হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে।

মেজোরিটি ওইবা খৃষ্টনশিং অমদি মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী মরক্তা হাৎ শুনবনা লৈবাক অসিদা মমাং চহিগী কুগী থৌদোক অদুগী মতুংদগী অচৌবা ভাইওলেন্সকী মরম অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। হৌজিক মুস্লিম লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইদুনা য়ুমথংনবা কেমেরুন অমদি চাদ লৈবাকশিংদা চেনশিন্নখ্রে।

লৈবাক অসিদা শা যন য়োকপশিং মথ্বাই হিংনবা চেন্নখিবা মরমনা হান্নদগী মরু ওইবা চিঞ্জাক ওইরকপা মিটকী মমল শরুক অনি হেনগৎখ্রে হায়নসু বি বি সিগী ৱেষ্ট অফ্রিকা পাউমী থোমাস ফেসিনা ফোঙদোকখ্রে। খৃষ্টানশিংনা তান্থোকখিবা মুস্লিমশিংগী অয়াম্বা মীওইশিংনা লোকেল ইকোনোমিগী য়াংলেন শরু ওইরম্বনি। হৌজিক লৈহৌরিবা লৌমীশিংগী চাদা ৯৬ না হুন্নবা মরু মরাং ফংদনা লৈরে হায়না য়ু এননসু ফোঙদোকখ্রে।




অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান










## SANALEIBAK SUDOKU

Prepared by : ROGER -A

SANALEIBAK SUDOKU-151

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | 1 | 9 | | | |
| 3 | | | 7 | | | | 4 | |
| | | 1 | 3 | | | 5 | | |
| 1 | | | | | | 6 | 5 | |
| | | | | | | 3 | | 9 |
| 9 | 7 | | 6 | | | | | 4 |
| | | | | 6 | | | | |
| 4 | | 5 | | 7 | | | | 6 |
| | | | | 5 | 3 | 7 | | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 7 | 6 | 4 | 9 | 8 | 5 | 3 |
| 5 | 8 | 9 | 1 | 2 | 3 | 7 | 6 | 4 |
| 4 | 3 | 6 | 8 | 7 | 5 | 2 | 1 | 9 |
| 3 | 9 | 2 | 5 | 1 | 4 | 6 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 8 | 3 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 |
| 6 | 4 | 1 | 7 | 9 | 8 | 5 | 3 | 2 |
| 2 | 6 | 3 | 4 | 8 | 1 | 9 | 7 | 5 |
| 9 | 7 | 5 | 2 | 3 | 6 | 1 | 4 | 8 |
| 8 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 3 | 2 | 6 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*